# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-08-2025)**

**ডে ঃ** লৈবাক অসিনা ঙসি ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎ পালন তৌরি।

দিল্লিগী ঐতিহাসিক ওইরবা লাল কিলাদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনবগা লোয়ননা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা লাল কিলাদা জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংলদুনা হায়-ভারত্তা শিংনরকপশিংগী মায়োক্তা লৈবাক অসিনা চপ চানা লেপলি। ওপরেসন সিন্দ্ৰ্রদা ভারতকী লান্মীশিংনা পায়খৎনিংবা থবকশিংদা অয়েৎ-অপন অমত্তা পীখিদে। লান্মীশিংনা মখোয়গী মথৌ চপ চানা পাঙথোক্তুনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা লৈবাক অসিনা লৈ হায়বদু চপ চানা তাক্লি।

অমরোমদা, জম্মু অমসুং কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা অদু লৈবাক অমা সংবিধান অমা হায়বা ৱাখল্লোন অদু মংফাওনহনবনি হায়নসু শ্রী মোদিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

মণিপুরদসু নীংতম নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোক্লি। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লি।

রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভল্লানা জাতিগী ফিরাল চিংখৎকনি। নিংথিজরবা মার্চ পাস পেরেড অমগী সলামী রাজ্যপালনা ওক্কনি। কলা সংস্কৃত্তি অমসুং নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু উৎকনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা তোঙান তোঙানবা মেদলশিং য়েন্থোক্কনি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পাঙথোকরি।

অকাশবানি ইম্ফালনসু পালন থৌরম অসি ওফিস অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি।

**এৱার্ড ঃ** আর্মদ ফোর্সেস অমসুং সেন্ত্রেল আমর্দ পুলিস ফোর্সকী পার্সোনেলশিংদা গেলেন্টরি এৱার্ড ১২৭ অমসুং দিসতিংগুইজ সার্ভিস এৱার্ড ৪০ পীরগনি। মসিগী মনুংদা ক্রিতি চক্র মরি, বির চক্র ১৫, সৌরিয়া চক্র ১৬, বার সেনা মেদল (গেলেন্টরি) অনি, সেনা মেদল গেলেন্টরি ৫৮, নৌ সেনা মেদল গেলেন্টরি তরুক, ভায়ু সেনা মেদল গেলেন্টরি ২৬, সরভোতম য়ুধা সেবা মেদল তরেৎ, উতম য়ুধা সেভা মেদল ৯ অমসুং য়ুধা সেভা মেদল ২৪ য়াওরি।

ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী হৌজিক হৌজিক স্কাদ্রোন লিদর ওইরিবা মনিপুরী মচা-রিজৱান মালিকতসু বির চক্র মনা পীরগনি।

মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিসতা মনিপুরদগী মীওই তরুক য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি-রাজ্য পুলিসকী এদিসনেল সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস-দেবেন্দ্র সিংহ হিজম, দিপ্যুতি সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস-থাংজপাউ ৱাইফৈ, সব-ইন্সপেক্তর-নিরবির সিংহ য়াঙাম্বম, হলবিলদার-দোরেন্দ্রো মীতৈ, কন্সটেবল-সৈখো হাও খোংশাই অমসুং রাইফলমেন-মানতে জেকি কোমনি।

করেকসনেল সার্ভিসকী মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিসতা মনিপুরদগী মীওই অনি য়াওরে। মখোয়শিং অদুদি-ৱারদর সুরেন্দর কুমার সিংহ ঙাংবম অমসুং হেদ ৱারদর-মুহামদ হমিজ্দ্দিননি।

মনা ফংগদবশিংগী মনুংদা-ওপরেসন সিন্ধুরদা লৈখিদ্রবা মনিপুর মচা বি.এস.এফকী কন্সটেবল-দিপক চিঙাখমদা বির চক্রগী মনা পীরগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। মফম কয়াদগী আইননা থিংহখ্রবা খুৎলায় পায়বা লুপশিংগী মীওইশিংসু ফারে।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না-চুরাচান্দপুর জিলাগী শামুলমলানদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা সিঙ্গল বেরেল রাইফল মঙা, লোং রেঞ্জ মোদিফাইদ পোম্পী

মোটার অনি য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংখি।

কাংপোকপী জিলাগীনা ফাইকোট খুলগা থংনবা উমংদগী পোম্পী মঙা, রাইফল অমা, আই.ই.দি. অহুম অমদি রেদিও সেট অহুম ফংখি। ককচিং জিলাগী মনুং চনবা লাইরোক চীংদগী মেগজিন য়াওবা ইনসাচ রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল বোল্ট এক্সন রাইফল অনি, মেগজিন য়াওবা শেমদোক্লবা নাইন এম.এমগী পিষ্টোল অমা য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংখি।

জিরিবাম জিলাগী উচাথোল অমদি তমেংলোং জিলাগী ফাইতোল খুল অনিগী মরক্তা লৈবা মফমশিংদা চথখিবা থিবা হুন্বগী থবক্তা এস.বি.বি.এল. রাইফল অনি, বি.দি.এল. রাইফল অনি, পম্প এক্সন এস.বি.বি.এল. রাইফল অমা য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংখি। থৌবাল জিলাগী ফৌওইবী খুল মনাক্তগী লোকেল মেট সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শঞ্জেনবম অমদি খাইদেমপল্লিগী মরক্তা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল মঙা, মেগজিন য়াওদবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা লফুপোকপীদগী রাইফল অহুম, হেন্দ গ্রেনেদ অহুম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংখি হায়রি।

**রাস্ত্রপতি ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-ভারতনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা মপুং ফানা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইনবা থল্লিবা পান্দম ফংনবা মায়ওন চুমা চৎলি।

লৈবাক অসিগী ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎকী মাংওইননা মীয়ামদা পীবা পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা লৈবাক অসিনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী লম খুদিংমক্তা মাংজিল থানা চৎলি হায়না শিংথাখি। মহাকা হায়-অমৃতকালগী মতম অসিদা লৈবাক অসিগী মীয়ামনা মাগী মাগী হৈথোই শিংথোইবশিং উৎথোক্তুনা মাংজিল থানা চৎলি। মসিনা ভিক্সিত ভারতকী পান্দম অদু ফংনবা লম্বী ওইরি। মসিদা নহাশিং, নুপীশিং অমদি মতম কুইনা শোথুনা লৈরুরবা মীয়ামশিংনা

অচৌবা থৌদাং লৌরি।

শ্রীমতি মুরমুনা ভারত লান্মীনা ওপরেসন সিন্দুরদা লৌখিবা থৌদাংবুসু শিংথাখি। ওপরেসন সিন্দুর অসি তুংলমচৎতা লৈহৌরগদবা মীওইবা খুন্নাইনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা চথখিবা ওপরেসন অমা ওইহৌরগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মনিপুর নীংতম্বগী নুমিৎ পাক শন্না পাঙথোকখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা অহানবা হেদলাইন পীরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা সব হেদলাইন অহুমসু পীরি। অহানবা সব হেদলাইন অসি-প্রি মাজর পোলিটিকেল ষ্টেটসতা হনজিল্লবতদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি। অনিশুবা সব হেদলাইননা মহৈরোইশিংনা থৌরম পাঙথোকখি লোয়ননা নীংতম্বগী মহাও ফংনবা হোৎনবগী শরুক ওইনা নীংতম্বা নুমিৎ নীংশিংবনি হায়না অহুমশুবা সব হেদলাইন পীরি।

মনিপুর নীংখা তমখিবগী পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি। ২০২২ গী মীখলদা ভোট হুরানখিব্রা চিংনরে হায়না এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-মেঘাচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদনা-২০২৪ দা বি.জে.পিনা লৈঙাক পায়খিবা অসি ভোট হুরাল্লগা ওইরম্লে, নিয়ম চুমা ইলেক্সন তৌরম্লবদি মোদিগী মহুৎতা রাহুল গান্ধিনা পি.এম. ওইরমগনি হায়না কংগ্রেসনা থম্লকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মনিপুরদা চৎনহল্লকখিবা প্রসিদেন্ট রুল শিংনরকপা পিটিসনবু হায় কোর্টনা ইনফ্রকচুয়েস ওইরে হায়দুনা দিসপোজ তৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইননি।

ইন্দিপেন্দেন্স ডে মাংওইননা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। অন্দরগ্রাউন্দ কেদর তরেৎ, শেল খায়বা অনি ফারে হায়না মোরনিং বেলদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

মনিপুরদা কুকি ইন্দিজিনস, কুকি এন্সেস্ত্রেল লেন্দ লৈতে হায়না এন.এস.সি.এননা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমদা অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদনা নাগাগী ফিরাল অমদি কন্সটিট্যুসনদা য়াশিন্নবা তৌরোই হায়না থুইঙালেন মুইভানা ফোংদোকখিবা ৱাফম  অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদনা-ঐখোয়গী হক্কীদমক চংশিল্লকপা ইহৌ চহি ৭৯ শুরে হায়না মুইভানা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদ্না ফোংলি। নাগাগী ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী পাউ অসি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অমদি তমেংলোং টাইমতা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

গভনর ইন কাউন্সিল মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ মনিপুর মেলদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন অসি ষ্টেট হেলথ সোসাইতিগী মীৎয়েং মখাদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা মেগা ব্লড দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংবা থেংনরে।